ৱারী ককনাউ

অরোইবা মীৎয়েং

হনুবীদুগা হনুবদুগা পিকখ্রবা কাদুগী মনুংদা মায়োক্লনা থাবা ফমুংদা মমায়-মমায় ওনশিন্নদুনা হিপ্পী। চহীনা নম্বো পোবদগী য়াংলেন তিংখৎপা ঙমদ্রবা অহল অনীদো, মথেল কয়াগী অনাবা নোংম-নোংমগী হাপকৎলক্লি। ঙরাংতা চাক চখোম অহুম/মরি চারম্বদু ঙসিদি চানীংদে হায়দুনা চখোম মশীং হন্থরক্লি। মদুনা মরম ওইরগা মপাঙ্গল থোক্লা মখোঙনা চৎলম্বা খোঙথাং মশীং অসুম-অসুম ককথরকই। হনুবনসু চেপনা হিপ্লদুনা হনুবীদু কমদৌরি হায়না য়েংশিল্লি। য়েংশিন্নে হায়বৈ ৱানি, মপাঙ্গল য়াওদ্রবা অনীদুনা অমনা অমদবু করি তৌবীরুনি। মশামক ফাওবা চেপ্লম্বদগী লোংথোক্কে হায়বদা শদৌ থোংলবদা।

ঙসিদি হনুবদু হিপ্না-হিপ্না নাহেরকই। শ্বর হোনবগী চাং নেমথরকই। মদু হনুবীদুনা খঙজে। মখোয়গী থৌগল তৌনবগীদমক লৈরিবা মখোঙ য়াঙবা নহা নুপী অদুনা চা অঙাংবা গ্লাস অনীখক মাগী-মাগী ফমুং নাকন্দা থারিবা টুল মচাদুদা কোক-কোক থম্মগা হায়রকই।

“চা লৈরে”। চাদু থনম্লগা অতৈ কৈসু হায়রমদে অদুমক থোকখ্রে। নহা নুপীদু থোকখ্রবদা হনুবদুনা মশাদু খজিক চেপ্লগা হনুবীদুদা মুন্না য়েংলি। মমিৎতা করিগীনো খঙদে মপি মরীক অমা তাখি।

“চাদু থকউ”। মাগী ৱাদু হনুবীদুনা মমিৎ উইশিল্লগা লৈরম্বদগী তপ্না পাঙথোরক্লগা খুম্মী।

“থকনীংদেদা”

“কৈদৌরে?”

“কৈসু তৌদে”

“নশাদু নুংঙাইতবরা?”

“ইতন-তল্লি, ইহৈ হৈনীংদে”

“ঐদি ইশাসি নুংঙাইতে ঙসিদি” হনুবদুনা শ্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লগা হায়রকপদুদা হনুবীদু মশাদু শ্বাই লাউই, হনুবদা হান্না য়েংলম্বা মীৎয়েংদগী খরা খজিক কুপথনা মমিৎতু শুক্লপ তৌনা য়েংলগা ঙাইহাক তূমিন লৈরি।

“কৈদি তৌই?”

“খঙদে, হায়ফম খঙদে”

“য়াম ৱাবরা?”

“ৱাই”

“কমাই তৌসিগে? ঐ হৌগৎলগা নশাদু তাপ-তাপ পায়বীরদি ফগদবনি, অদুবু ঐসু চনিং-চমাং শম্লদেনে” হনুবীদুনা খম থেংনা নুংঙাইতবা মওংদা হায়রি।

“হুম! হৌগৎলক্কনু, অদুম খাঙগে, খাঙদুনতা লাক্লবনি, সি খক খাঙববু করি লৈবা থবকনোদা”

হন্দক্তি হনুবীদু মশাদু নিক্লপ তৌরগা মখোল থোক্লা হিক হিক লাউরকই। হনুবদা য়েংবদি লেপ্তে।

“কপ্পীরা?”

“কপ্পী”

“কপকনু, কপ্পগী মখোলদু ঐ খাঙবা ঙমদে, ঐ য়াম্না ৱাই”

“ঐদি কপকে হায়না কপখিবা নত্তে, মথনতনা কপ্লকপনি”

“ঐখোয়না হিংলিবসি করিগীনো? ঐখোয়সি শিবা ঙাইরিবা নৎত্রা? শিরদি হনুবী নঙবু অমুক উবা ফংলরোইকো, পূন্না শিরদি ইবানি অদুম উনগদ্রা?”

“অদুদি ঐসু খঙদে, অদুগুম্বা ৱাদু করিগী হায়রিবনো?” হনুবীদু মখোল নিক্লা হায়রকই।

“হনুবী ঙসিদি নঙসে পেন্না য়েংনীংইসি করিগীনো?”

“য়েংলক্কনু, করিগীনো অদুক হাক্লা নহানখৈগা মান্নদনা য়েংলিদুবো? য়েংলগা নীংশিংবা হেনগনি, নীংশিংলদি ৱাবসু হেনগনি, নশাদু য়াম্না চোকথনা উরে, ৱাহনবা য়াদে” হায়বগী ৱানি হনুবীদু মথম্মোয় শোক্লা মনুংদা মওল-মওল খল্লি। ঙসিদি হনুবসি করি ৱাখলবু খল্লবনো ৱা মতা চাদবা অসুক য়াম্না হায়রিসিবো হায়না মপক্লিংদা খল্লি।

“ঐ খনাওসি খ্রক-খ্রক কংখ্রে, ঈশিং খিত্তা থকনীংখ্রেদা”

“কনা কনানো অমত্তা লাউনে, নপুসি ঈশিং খিত্তা থক্কে হায়রিনে” হনুবীনা শোল্লি-শোল্লি লাউরি। তাঞ্জাদুদা কনাসু লৈতবগুম কনামত্তগী পাউখুম তাখিদে। হনুবীদুনা, তপ্না হৌগৎনবা কন্না হোৎনজৈ, উচিন-নাচিন্না ফমুংদা ফম্বা ফাওবদি ফম্লে। অদুবু করম্না অদুক শোল্লবা মহাক্লা ঈশিং লৌরুরগা পিথক্কদৌরি। হনুবদুদি ঈশিং হায়রম্লগা তুমিন অদুম লৈ, ৱাসু হায়দে, লানসু হায়দে। হনুবীনা অমুকসু লাউজৈ।

“তারবরা নখোয়বো” হন্দক খরা কন্না পাঙ্গল ফুদোক্তুনা লাউবদুদা ঙসাইগী চা পীরম্বা নুপীমচাদু ঈশিং গ্লাস অমা পুদুনা চঙলকই।

“পুপু সে... ঈশিং, চমসতা ইল্লক্কে”

অদুবু হনুবদুদি খুল্লকখিদ্রে।

“পীথক্লবরা” হনুবীদুনা হংলকই।

“খুম্মক্তে” নুপীমচাদুনা হায়রকই।

“মুন্না য়েংঙু”

“বোবোক পুপুসে শ্বর হোনখিদ্রে”

“হা...” হনুবীদু ৱা অমত্তা হায়খিদ্রে তূমিন লৈখ্রে। নুপীমচাদু হৌগৎতুনা মপান্দা থুনা চেন্থোকখি। হনুবীদুদি ফম্না-ফম্না মঙোন্দা মমিৎ পাংলগা কুপ্তনা য়েংলিবা হনুবদুদা মমিৎ অঙম্বমখৈ লাউথোক্তুনা য়েংলি। মমিৎতগী কুৎথরবা খজাইদুদা মপি লেপ্তুনা শিন্থরক্লি।

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -১৫

হান্নগী মখা... মোয়াদনা হাৎপা হাক্তক্তা চাইনাদা চৎখিবা মীতৈশিং অমসুং মৈত্রবাক্তা লাকখ্রবা চাইনাশিং অদুদি অদুম লৈথনখ্রবনি। মোয়াদনা হাৎপা মতমদা পোকপা মীতৈ নিংথৌ অদুগী মমিং খাকি (চাইনা) ঙম্বা মমিং থোনখি হায়রিবনি ৱারী শিংবুন্দা। মতম অদুদা চাইনাবু খাকি লৈবাক কৌরম্মী। চাইনাদা লৈখিবা মীতৈশিংনা চাইনা ওনখ্রবনি। চিন্থাং ৱারীদা চাইনাদা মীতৈ খুঙ্গং ১৬পু লৈ হায়রিবনি। অসি হায়দুনসু হৌজিক্তা মীতৈ লৈবাক্তা হেক লাকপা ঙমখিদ্রবনি। চাইনাদগী লাক্তুনা মীতৈ লৈবাক লীংলবা হৌনদে। মপুং ওইবা য়েলহৌমী মীতৈশিংনা মপুং ওইগদবনি। চাইনাদগী লাক্লগা পাল্লরবসু মীতৈ ওইরগদবনি। করিগুম্বা চাইনাদা চৎখিবা মীতৈনা পাল্লবসু চাইনা অদুম ওইগনি। মসিনচিংবা ৱাদি ইয়েং হেক য়েংদনা অতোপ্পগী ৱারী লাইরিক খরা হৈরু খঙলুরগা মীতৈ ওইরিবা মশাবু মথন্তনা নেৎশিন্দুনা থল্লগা চাইনাদগী, বঙ্গলাদগীনি হেক হায়ঙমলিবা ওজা ইবুংঙোশিং করিনি হায়না শিংথাসিগবা! হায়গুমনি মীতৈদি মীতৈ লৈবাক অসিদগী হৌজবা পোকচবনি। মীনা তাখ্রগা নৱাংখিনি। মণিপুর হায়না লৈবাক মমিং ওল্লুবদগী বিষ্ণুপ্রিয়াশিংনা মখোয়সি মণিপুরী-মণিপুর হায়রিবসিনি। অখঙবা মীনা তাখ্রগা খূবাক খুদুনা নোকখিনি। অদুগী শরুক আ হৌরকঙৈগী ৱাখল য়েংলগা অচাওরমগী ৱাফৈ ঙাঙবা থাদোক্লগা মীতৈ লৈবাক শাগৎনবা হোৎনবনা হেন্না লেমজগনি অমসুং লাইনসু অফবা ওইহনবীগনি। মীরৈবাক্লসু হেন্না শিংথাবীগনি। ইমুং-মনুং লৈবাক্কী য়াইফনবা থবক তৌদ্রবা মীবু কনানা অফবনি হায়নখিবা য়াওখিবগে তাইবঙপানসিদা?

করিগুম্বা লাইরিক অমদা ‘চৈথারোল কুম্বাবদা’ অসুক লীরবা মীতৈশিং অমসুং মীতৈ লৈবাকপু ঙরাং নহান্তা হৌরকপা ওইনা ইরিবনি। খৃষ্টনা পোকপা মতুং ৩৩শুবা চহী চাদা আ শোক, তারিখনা য়ৌশিনবা ঙমদ্রবা মতমদা পাল্লম্বা লাইগী নিংথৌ পাখংবগী হেক মথংদগী পাখংবা ময়াম অমা কান্থোক্লগা নোংদা লাইরেন পাখংবা হেক পালহনখ্রবনি। নোংদা লাইরেন পাখংবদি তাইবঙ মী লাকখ্রবা মতুং কাইনথংদনি। খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ আ মমাঙদা মী লাকখ্রবনি। ৩৩শুবা খৃষ্টকী চহী চাদা পানখিবা নিংথৌ অদুদি পাখংবা মিংথোল লৌবা ‘নোংদা লাইরেন পাখংবা’ তাইবঙ মী অমা ওইগনি। পাখংবগী মখাদা লৈনুংলোনজা পাখংবা, লোলাং পাখংবা তাংজ লিলহা পাখংবা, নোংদা লাইরেন পাখংবা অসিনচিংবা পাখংবা মিংথোল ফংবা ময়াম অমা লৈখ্রবনি। খৃষ্টনা পোক্কদবা চহী ৩১০০গী মমাঙগী মতমদা মীতৈশিংগী ‘শগোল কাংজৈ হৌদোকপীরম্বা’ লাইনিংথৌ কাংবা ‘পাখংবা’ অদুদি চৈথারোল কুম্বাবনা করম্না কানথোক্লল্লিবনো? মীতৈগী হেক নিংথৌ খুদিংমক ‘পাখংবা’ মিংথোল ফংখিবমক্তনি। মীতোপকী অথেঙবা মতমগী মীহৌরোলতমক য়েংলুদুনা, ঐখোয় মীতৈ চীংমী তম্মীবু মীহৌরোল খঙদবা তাহন্নবা, মীগী মহাভারত্তবু উখ্রদুনা তৌবা ওইগনি। মহাভারতনা ইদ্রিঙৈদা মীতৈশিংনা য়াম্না হানখ্রবনি। মহাভারতকী কৃষ্ণনি, বাসুদেব-দেবকীনা পোকপা তাইবঙ মপোকনি। মীতৈগী সনামহী অপোকপদি তাইবঙ পানবা লাকত্রিঙৈদা শায়োন তৌখ্রবনি। খৃষ্টনা ঙরাংতা তাইবঙ মীনা পোকখিবনি, অসিনি খেন্নবা হায়ববু। ৩৩শুবা খৃষ্টগী চহীদগী মীতৈ হৌরকপগুম হায়রিবসি সাকোক্কী ৱারীনা য়াদ্রবনি। মীতৈনা হৌরকপগী ৱাখুনদি সোরারেন লাইশিংনা চয়োল তরেৎ পুথোকপগী ৱারীদগী হৌরবনি। মতমনা কুইরক্লগা অহোংবা কয়া মথং মথং লাকপনা অমনি।

-(লোইরবা-)

-নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)

লাইগা উন্নদুনা ৱারী শাননবা হোৎনরুবা

ফনা কুইরে, চহী তরামরি-মঙাগী মমাঙ ওইরমগনি, মতমদুদা অনৌবা দ্রামা অমা ইগে/পানখৎকে খন্দুনা ৱাখল-লীশাং থাখিবদু। মমিং ফাওবা থোনখ্রবনি ইথোকপদি তৌখিদে। হোরেন ইগে/হয়েং হৌগে খল্লিঙৈ তৌবা শুকঙম ঙমখিদ্রবা থবক অমনি। ‘ঐ ঈশ্বর উন্নগে’ - হায়বা ওইরমাল্লে, পোক্ত্রিবা অঙাং অমগী মিং থোনবগুম থোনখিবা ‘প্লে’ দুগী মমিংদু। প্লে’দুগী মাইনর অমদি মেজর ক্যারেক্টর লোইনা শেম্বা লোইখ্রবনি। থৌদোক-ৱাথোক, মথং-মথং, অহৌবা অমদি অরোইবা শেমগৎ-শাগৎপা লোইখ্রবনি, ইথোক্কদৌবতা ঙাইরবা। করিগী ইবা ঙমখিদবনো? মরম অমবুদি লৈ। ঐহাক কনাবুসু ব্লেম তৌদে। আই ব্লেম ইট ওন মাইসেল্ফ। ঐ ইশানা মরম ওইরগনি। ফিল্ম ওইনা তৌসিরা? থিয়েত্রিকল পর্ফোর্মেন্স ওইনা উৎলবদি ঐনা পীগে খল্লুরিবা ‘ইমপেক্ট’ অদু য়ৌনা পীবা ঙম্লরোই। ঐগী নক্লবা মরুপ-মপাং, ক্রিটিকল-ওবজার্ভর খরদা ৱারী শারুবদসু হায়রকখি - ফিল্ম ওইনা পুথোকপা ঙম্লবদি অয়েংবশিংগী থম্মোয়দা য়ৈবা শাফুদু হেন্না কনবা হেনগনি। ৱাখলসিগী চয়েৎনবা, ফিরেপ লৌবা ঙমদবা - ইশাগী অশোনবা ইতৌদুনা থবক পাঙবা ঙমখিদবনি। অতোপ্পা ফেক্টর অমনা - ঐগী থিয়েটর কম্পেনি/ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রোমোটর/ফাইনান্স’র লৈতবা ... মীঙোন্দা হায়জ-চৎচ, নেপোটিজম-প্রাক্টিস’তুদসু য়াওবা হৈতবা ... অদুসু মরু ওইবনি। ইকন্থি’না ইরল ফোয়দৎচবগী থৌওং অমা মতম শাংনা চথ্নরকপদু, হৌজিক্তি ফোয়দৎনবা ইরল লোইথোকখিদুনা থিয়েটরগী তাইবঙদগী তঙাইফদনা লাপথোকপা তারকখিবা অদুনসু ইবা তন্থহনখিবগী মরম অমনি।

ৱাফম অসি ঙসি নীংশিংলক্লিবা - অতোপ্পা মরম অমদগীনি। ইখিদ্রবা ৱারীদু হৌজিক ইরগে খল্লকপগী নত্তে। য়ূম শেমজিনবগী পূমচাই চাইনা লৈরুবা পোৎচৈ, চেথী-চেকুম লোইশিন খমজিল্লকপদা থেংনরকই - মতমদুদা চাইথোকখিবা ৱাখলদুগী মমি ওইনা খোৎচিন্দুনা থমখিবা চেনা খরা। লাইনীং-পরৈ চেৎপী, মমা লুখ্রাবীনা য়োক্লকখিবা মেল-প্রোটাগোনিষ্ট, আর্মি ওফিসর ওইরম্বদগী কার্গিল ৱার’দা শোয়নাইরকখিবদু থবক্তগী পোত্থারবা, য়ূম্বান-পুন্সি নৌরিঙৈ য়ূমগী নুপীদগীসু লাপথোক্লনা লৈরকখিবা, চৈশুগী মতেং য়াওদনা চথোক-খোত্তোক ঙমদ্রবা কাল, মাগী নুপী শকহেনবী - লৈশা-পাখঙ ওইরিঙৈ শকখঙনখিবা কনাগুম্বা অমগা মরক-মরক-লোন্না-উন্নে পাউথোক্লক’, ওন্থোকপা পুন্সি চাংয়েং অমা মায়োক্লরকপা, হকচাং শোয়নাইরম্বদই ৱাখল শোয়নাইরক্তুনা, ঈশ্বর মাগা হকথেংননা উন্নদুনা পাউহোমগে খল্লকখিবা মীকূপশিংদুদা থেংনখিবা পুন্সিগী এক্সপরিয়েন্সশিং অদুনি। মহাক্লা ঈশ্বর উন্নরগা হংগদবা ৱাহং কয়া লেংথোক্তুনা থমখি পরেং ওইনা। ৱাখলনা লাঙ্গোয় চনশিনখ্রবা মীকূপশিং অদুদা থেংখাং কয়ারকনি, সব-কন্সিয়স-মাইন্দ অদুদা ঐগা-ঈশ্বরগা উন্নদুনা ৱারী শাখিবা। ৱাখলশিংদু ৱাহৈ ওন্থোক্তুনা ইননবা হোৎনরিঙৈ তানফমসিদা লমফৈ-ৱাখল অমসু পাইশিল্লকই - অসিগুম্বা এক্সপরিয়েন্স মায়োক্লরিবসিবু ঐহাক ইথন্তা ওইরিদ্রা? মীওইবদা ঈশ্বরনা ৱারী করম্না শাবগে? ঈশ্বরনা ৱা করম্না ঙাঙবগে?

মানা হায় ... ‘ঐদি মীপূম খুদিংমক্কা মতম পূম্বদা ৱারী শাই ... ঐনা কনাগা ৱারী শাই হায়বদু নত্তে লুরিবদি, কনানা ঐগী ৱা তারিবগে হায়বদুনি মরু ওইরিবা’...।

মতাংসিদা শোদনা নীংশিংবীরক্লমগনি - রামকৃষ্ণ পরমহংসদ নরেন্দ্রনাথ (বিবেকানন্দ) না ‘নহাক ঈশ্বর উরবরা’ হায়না হংবদা ‘উরে’ হায়না খুম্লকখিবই ৱারী। রামকৃষ্ণ বিবেকানন্দ, গুরু-শিশ্যা অনীগী ফিলোজোফিকল ওইবা ৱারীদুগুম্বা নত্তে ঐগী এক্সপরিয়েন্স অদুদি। অঙাওবা অমগী মতৌগুম, ঐহাকসিনা ‘ঐ’ নত্তবা কনাগুম্বা অমা ওইননবা হোৎনরুবা, ‘অঙাওবা’ হায়বসিসু ৱাখল খল্লমগনি ... মখোয়না করম’ খনবজাৎনো... ৱাখল’-ঈপাক্তুদা কূমথদুনা শান্নরুঙৈ, ঈশ্বর উন্নবা চৎপদা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্স অদুনি। মীগা লাইগা, মায়গা-মায়গা ওনশিন্নদুনা ৱারী শানবা য়াদে। ৱাহং-পাউহং তৌনবা য়াদে। ৱাহং কয়া হংবা য়াই, ৱাকৎ কয়া থাঙ্গৎপা য়াই, পেন্দবা কয়া ফোঙদোকপা য়াই। অদুবু মাগী পাউখুম অদুদি খুদক্তুদা পীরক্লোই। ৱাহৈ ওইনসু খুম্লক্লোই।

য়েস! পাউখুমদুদি ফংগনি। ৱাহৈ ওইনা নত্তবা অতোপ্পা মওং অমদা। মীওইবগা ঈশ্বরগা কৈদৌঙৈদা ৱারী শানবা য়ারোই - ৱি কেন্নোৎ তোক টু গোদ! অদুবু, মাগা পাউ ফাওনবদি য়াই - ৱি কেন কম্যুনিকেট ৱিথ হিম! ৱারী শানবা (টোক তৌনবা) হায়বসিনা ৱাহৈগী মতেং লৌরগনি, পাউ ফাওনবা (কম্যুনিকেট তৌনবা) হায়বসিনা ‘পূক্লিং-ইহুল’ (ফীলিং) হায়বদুগী মতেংননি। পূক্লিং-ইহুল হায়বসি ৱাহৈনা ফোঙবা ঙমদবা, ৱাহৈগী ৱাংমদা লৈখ্রবা ‘লোন’ অমনি - ফীলিং ইজ দ লেংগ্বেজ ওফ সোল - লাল্লব্রা?

মতাংসিদা, চমন্নবা অমা থোক্লকই। পাউ ফাওনবা (কম্যুনিকেসন) হায়বসি ‘ৱাখল’ (থোট) গী মতেংনসু ফাওনবা য়াই। ‘ফীলিং’ হায়বসিগা ‘থোট’ হায়বা অতোপ্পা ইংরাজি ৱাহৈসিগা অনী অসি মান্নদে। মী অমদা, ঐঙোন্দা ‘থোট’ অমসুং ‘ফীলিং’ অনীমক মতম অমত্তদা থোকপা য়াই। থোট, ফীলিং অমসুং ৱার্দ (ৱাহৈ) ... কম্যুনিকেসনগী মিদিয়ম অহুমসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ইফেক্টিব ওইবা ৱাৎপা মিদিয়ম - ৱাহৈগী মিদিয়ম অদুনি ঈশ্বরগী মফমদা চন্নফম লৈত্রিবা। অচুম্বা নত্তবা, ওইদ-পাদবা পাউজেলমক্তা ওইরম্বসু য়াই, থম্মোয়গী অশেংবা পাউদম অমা ওইরম্বসু য়াই - মীওইবগী ৱাহৈনা পীবা কম্যুনিকেসন।

ৱাহৈ! ৱা হায়বা, ‘ৱা-হায়’ হায়বদুগী মহুৎ ওইবা, লোলগী শক্তম অসি শীজিন্নরিবা, মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা (জীব) মখল অসিখক্তনি। শা-উচেক্লা খোঙবদা থোক্লিবা খোন্থোক (সাউন্দ) অদুগুম্বনি। খোন্থোক অদুগী মশক তাকপা সিম্বোল অমনি - মীওইবগী ৱাহৈ। থম্মোয়গী ইহুল, পূক্লিংগী ৱা (ৱাখল) অমদি হকথেংনরকপা থৌদোকশিংগী মমি- ফীলিং, থোট অমদি এক্সপরিয়েন্স কয়া অদুগী মহুৎ শিন্না কনাগুম্বা অমদা খঙহনবদা শীজিন্ননবা পান্থে অমনি - মীওইবগী ৱাহৈ। ৱাহৈনা চপ চানা ফোঙদোক-ঙমদবা মীওইবগী থোট, ফীলিং অমদি এক্সপরিয়েন্স কয়া লৈ। অদুগুম্বা ফোঙদোকফম খঙদবা, ফোঙদোকপসু ঙম্লরোইদবা অমনি - ঈশ্বরবু খঙবা অমদি মাগা উন্নবগী এক্সপরিয়েন্স! মহাক্কী মরমদা ৱাহৈ ওইনা তারকপা অমদি ৱাখলসিনা খল্লকপদুগা ইশানা হকথেংনরকপদুগা অঙকপা ফংনা খেন্নবনি। ঈশ্বরগী মীংদা, মীওইবনা হেক খুন-থোক্লকঙৈদগী কনাগুম্বনা হায়রম্বা ৱাহৈ কয়া মালেম শীন্না শন্দোকখরে। মান্নদবা লাই কয়াগী মান্নদবা ৱাখল-লোন ইথোক্তুনা ফোঙনখ্রে। খ্বাইদই চুম্বা খ্বাইদই ফবা, খ্বাইদই ৱাংবা ৱাখল্লোন্দু মাগী লাই অদুগীনি - ক্লেম তৌনৈ।

অদুবু, মহাক্কা হকথেংনবা এক্সপরিয়েন্স ফংলুরবা কনাগুম্বা অমনদি হায়রক্কনি শোয়দনা - মীওইবদা পীবা লাইগী পাউজেল অমত্তা লৈতে ... লাইশঙ/চর্চ/মসজিদ/ সাইনাগোগ, লৈফম নত্তে মহাক্কী... কল্লক-য়েংথী লৈতবা, অপাম-মিহৌ’ পোক্তবা, ওইদ-পাদ’ তৌদবা, অচুম্বতা ঙাঙবা লম, হাৎন-শুনা হৈতবা, নুংশিবনা থনবা লম ... মফম অদু ঈশ্বরগী খোয়দাজবা লমদমনি। অসিগুম্বা ফীলিং, অসিগুম্বা এক্সপরিয়েন্স ফংবা ঙমদবদুননি থৱায় অসি থাদোক্তুনা অশি’লমদম পাংবদুবু লাইগী খুয়া তানবা, ঈশ্বর ফংবা হায়নরিবা।

-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AGRICULTURE: MANIPUR
ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION

Dated, the 27th November, 2020

NO AGM-1/526/SMAM/2020-21: This is to notify to all the interested farmers, rural entrepreneurs and farmer group that under the scheme of Sub Mission on Agricultural Mechanization (SMAM). Department of Agriculture, Manipur is to provide subsidy/assistance on purchase of farm machinery and equipment as well as for establishment of farm machinery bank for custom hiring for the year 2020-21 as per prescribed pattern of assistance. Prescribed application format, pattern of assistance, list of equipment and list of approved dealers may be obtained from the Directorate office, Sanjenthong or the concerned District Agriculture Officer's Office or from the Director Agriculture website www.agrimanipur.gov.in. **All applicants (both individual and Groups) shall register themselves Online in the NIC portal www.agrimachinery.nic.in (identified master trainers in the respective DAO office shall assist the applicants with registration in the portal) and in addition they will also submit their application in hard copy as per prescribed format to the Office of the DAO concerned within the stipulated time.** Further farm equipment/machinery can be procured only from the following agencies who have on boarded in the DBT portal.

1. Jamunalal Mangilal & Co. - Paona Bazar
2. EDC (Agro-Division) - Kwakeithel
3. M/s HR Agency - M.G Avenue
4. East India Machine Company - Mantripukhri
5. M.I Tractor and Machinery - Khongman
6. M/S Saikhom Tractor Sales and Services Centre - Canchipur
7. M/S WAIAGRIM - Konung Mamang
8. M/S Nganbi Motor - Kakwa, Singjamei
9. M/S Ravi Motors - M.G Avenue

2. **Group Scheme:** For Group Scheme (Custom hiring center, village-based mechanization, etc.) the applicant group has to submit DPR. Format of DPR and the scheme of assistance/subsidy is available at www.agrimanipur.gov.in. All applications both individual & Groups are to be submitted to the concerned DAO both in hard copy and Online registration is also a must. Thereafter, DLEC will take up draw of lots for selection of beneficiaries.

3. Individual & Group Farmer applicants have to register in the central DBT portal **www.agrimachinery.nic.in. Application submitted only in hard copy and not registered in the portal mentioned above shall be treated as incomplete and rejected.**

5. Last date of form submission is 18.12.2020.

Sd/- **Laltanpuii Vanchhong**
Director of Agriculture: Manipur

HL-P/8121/29/11 & 1/12



OFFICE OF THE
MANIPUR STATE KALA AKADEMI
KHUMAN LAMPAK, IMPHAL

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION
Imphal, the 28th November, 2020

No.C-3/172/2019-MSKA(Pt.): Manipur State Kala Akademi invites application in prescribed format from eligible and willing candidates for the post of Secretary, Manipur State Kala Akademi, Imphal in the Pay Band of Rs.15600-39100 with Grade Pay of Rs.6600/- and admissible allowances for a period of 3 (three) years or up to the age of 65 (sixty-five) years, whichever is earlier. The details of qualification etc. required for the post are as under:

Essential Qualification:

(i) Graduate from a recognised university or its equivalent;
(ii) Degree or Diploma in Dance/Music/Theatre/Fine Arts/Literature of a recognised institute;
(iii) Person of outstanding ability and profound knowledge in any field of Performing Arts/Fine Arts/Literature.

Desirable:

(i) At least 3 years administrative experience/active association in any Government or public cultural institutions of State/National repute.
(ii) Knowledge of English, Hindi and Manipuri.

Age limit: Minimum of 55 years and not exceeding 63 years (as on 28/11/2020).

How to apply: Application form can be obtained from the office of the Akademi during office hours (10:00 a.m. to 4:30 p.m.) on all working days. The prescribed format of application form duly filled in along with supporting documents shall be sent in a sealed envelope superscribed "Application for the post of Secretary, Manipur State Kala Akademi" addressed to the Secretary, Manipur State Kala Akademi, Khuman Lampak Sports Complex, Imphal so as to reach the office of the Akademi on or before **19th December, 2020 by 4:30 p.m.** Those employed in Central or State Governments/Autonomous bodies/Public Sector Undertakings should route their applications through proper channel. They may however send one advance copy of application along with enclosures. Incomplete or unsigned applications without supporting documents or late applications will be summarily rejected.

Note: The Akademi reserves the right to reject any/or all applications and cancel the proceedings/recruitment at any time without assigning any reason thereof.

Sd/- L. Kishworjit Singh
Secretary,
Manipur State Kala Akademi

HL-B/6569/29

ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃ ꯄꯥꯝꯖꯩ / মীওই অমা পামজৈ

Apunba Fitness Center (Nagamapal) গী Receptionist ওইনবা নুপী অমা পামজৈ। ইংলিশ অমদি হিন্দি ফজনা ঙাংবা হৈবা ওইগদবনি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীরিবা নম্বর অসিদা কোল তৌবীরকউ, নৎত্রগা ওফিসতা লাক্লগা উনবা য়াগনি।

Sd/- Apunba Fitness Center
Imphal - 795001
Contact No. 8974819593

HL-P/8125/29

ꯃꯥꯡꯈ / WALLET LOST

I have lost my Wallet containing (1) Driving Licence issued by D.T.O. I/W and (2) ATM Card of SBI, Singjamei Branch on 19-1-2020 on the way between Singjamei Keithel to Sapam Pharmacy. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Genpai Thongam**
Singjamei Thongam Leikai, Lane 4
8794136924

HL-P/8123/29

ꯃꯥꯡꯈ / WALLET LOST

I have lost my Wallet containing items Aadhaar card, ATM cards of MRB, SBI, CANARA and Bank of BARODA, Voter card, BAD Admission Receipt, Driving Licence issued by DTO Churachandpur and Smart card of Activa 3G in the name of L. Memcha Devi, bearing Registration No. MN01U8490 (IND), Engine No.- JF50E-T-2068012 and Chassis No. ME4JF504BFT067096 issued by DTO Imphal West, on the way between Nambol Sabal Leikai and Nambol Bazar VIA Khori Leikai on 25th Nov., 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Leishangthem Gopal**
Nambol Sabal Leikai
7005216237 / 9378085916

HL-P/8123/29

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6498/03/11-02/12